**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 13-04-2025)**

**---**অকাশবানি ইম্ফাল ৱাহেংবম রাজেশনা পাউ পাজরি**---**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুরদা হয়েং ধর্ম্মগী চৎনবী অমসুং হৱাউ তয়াম্বগা লোয়ননা চৈরাউবগী থৌরম পাঙথোক্কনি।

নুমিৎ অসিনা লাকপদা রাজ্যপাল য়াওনা লুচিংবা কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

২) কেন্দ্রগী হান্নগী মন্ত্রি ডাঃ আর.কে. রঞ্জন্না হায়রি- কোন্ম্বিরৈ মাংখিদনবা অমসুং লৈ অসিনা লমদম অসিবু শক তাকবা হোৎনবদা করি থবক পায়খৎপা য়াবগে হায়বদু খন্নবা চুমগনি।

৩) রাজ্যগী প্রিন্সিপাল চীফ কঞ্জার্ভেটর ওফ ফোরেষ্ট অনুরাগ ভাজপায়না ষ্টেট ওর্কিদরিয়মগী ফিভম হেন্না ফগৎহন্নবা খঙহনখ্রে।

৪) মিজোরমদা লুপা কোতি ৫২ রোমগী মমল ওইগদবা মেতাফেতামাইন টেব্লেৎ মীওই অনিদগী ফারে।

অমসুং

৫) কেন্দ্রগী রোড ট্রান্সপোর্ট অমসুং হাইৱেজ মন্ত্রি নিতিন গদকারিনা হায়রি- অৱাং নোংপোক লমদমদা লুপা কোতি লাখ ৩ লিশিং ৭ চংনা হাইৱে প্রোজেক্ট ৭৮৪ পায়খৎনবা থৌরাং তৌরি।

------

চৈরাউবা (এল)ঃ মণিপুরদা হয়েং ধর্ম্মগী চৎনবী অমসুং হরাউ তয়াম্বগা লোয়ননা চৈরাউবগী থৌরম পাঙথোক্কনি।

চৈরাউবনা লাকপদা রাজ্যপাল য়াওনা লুচিংবা কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

মহাক্কী পাউজেলদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হায়- চৈরাউবনা অরি-অনৌ শিন্নবা, অনৌবা ৱাখল্লোন,আশা অমসুং চা ওখৎপা ফোংদোক্লি। নুমিৎ অসিদা ইমুং মনুংগী মীওইশিং অমত্তা ওইনা পুনশিন্নদুনা অখন্নবা মথেল লাংদুনা মপু মহাক্কী মফমদা থৌনিজৈ। নুমিৎ অসিনা লাকপদা শান্তি, চাওখৎপা অমসুং নুংশি চান্নবা পুরকপা ওইরসনু হায়রি।

চৈরাউবা কুম্মৈনা লাকপদা মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তনা লমদম অসিগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। পাউজেল অমদা মহাকা হায়- নুমিৎ অসিনা নুংঙাইবা, অনা অয়েক য়াওদবা অমদি চাওখৎপা ওইরসনু। অনৌবা চহিনা লাকপদা লমদম অসিদা নুংশি চান্নবা, চাওখৎপা অমদি ইং তপ্পা লমদম অমা ওইরসনু।

লিয়াংমৈ (এল)ঃ লিয়াংমৈ নাগা কম্মুনিতিগী নুপীশিংনা বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি এন. বিরেনগা মহাক্কী য়ুমদা উন্নদুনা চৈরাউবগী খুদোলপোৎশিং খুৎশিন্নখ্রে। মখোয়না মহাকপু উন্নবা লাকপা অসিনা তোঙান তোঙানবা জাতি-কাংলুপশিং অমত্তা ওই হায়বদু উৎলে।

শ্রী বিরেন্না হায়- অসিগুম্বা ফজরবা চৎন-লোনচৎ অমসুং অমনা অমবু ইকায় খুমবা উৎপা তুং কোইনা চৎনহন্নবা হোৎনসি।

বিশ্বজিৎ (এল)ঃ পঞ্জাবকী জলিয়নৱালা বাগকী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবশিং থৌনা ফরবশিংগী মফমদা হান্নগী মন্ত্রি থোঙাম বিশ্বজিৎনা ইকায় খুমবা উৎলক্লি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা পোষ্ট অমদা মহাকা হায়- ইং ১৯১৯ ঙসিগী নুমিৎ অসিদা জলিয়নৱালা বাগতা চমজরবা মীওই কয়াবু তমথিনা হাৎতোকপীখি। থৌদোক অসি লৈবাক অসিগী ইতিহাসতা অমম্বা থৌদোক অমা

ওইনা লৈহৌবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী মীওই লাখ কয়ামরোমদা নীংতম্বগী মৈরা চুখৎখি। মখোয়গী কৎথোকপা অদুবু মীয়ামা নীংশিংদুনা লৈরি।

লাইরিক (এল)ঃ কুম পুন্বী লৈরাং কোম্বিরৈ কৌবা লাইরিক অমা ঙসি লমফেলপাৎ ইম্ফালদা লৈবা সি.এস.আই.আরদা কেন্দ্রগী হান্নগী রাজ্য মন্ত্রি ডাঃ আর.কে. রঞ্জন সিংহনা ফোংখ্রে। লাইরিক অসি সি.এস.আই.আর নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেকোলোজি লমফেলপাৎকী চীফ সাইন্তিষ্ট প্রোফেসার ঐচ. বিরকুমার সিংহনা ইবনি।

অপ্নবা ইমাগী মচাশিং মণিপুর অমসুং সি.এস.আই.আর নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেকোলোজিনা পুন্না শিনবা থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা ডাঃ আর.কে. রঞ্জন্না হায়- কোম্বিরৈ হায়বা লৈ অসিগা মান্নবা লৈ জপানদসু হৌরিবা অসি জপানগা পুল্লগা রিছার্স তৌবগী তঙাইফদবা লৈ। মহাকা হায়- লৈ অসি মাংখিদনবা অমসুং লমদম অসিবু শক তাকবা হোৎনবদা করি থবক পায়খৎপা য়াবগে হায়বদু খন্নবা চুমগনি।

এমএলএ (এল)ঃ বাবুপারা নুপী সমাজ লমজিং লুপ মল্টিপরপজ কম্যুনিতি হোল ঙসি এম.এল.এ আর.কে. ইমোনা শঙ্গাখ্রে। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী ইমোনা হায়- মীয়ামা মখোয় মখোয়গী মীহুৎশিং খনবা মতমদা মুন্না খল্লগা খনগদবনি। মীহুৎ খনবা মতমদা কেন্দ্র অদুগীদমক চোকথবা লৈতনা থবক তৌবা ঙম্বা মীহুৎ খন্নবা হোৎনগদবনি। মহাকা হায়- রুফ টোপ সোলর সিষ্টেম থমদুনা ঙসি শঙ্গারিবা কম্যুনিতি হোল অমসুং বাবুপারাগী অকোইবা লম্বীশিং লাক্লিবা চহি ২০ অসিদা মৈ লেমা থাল্লগনি। মহাকা হায়- থৌরাং অসি হান্না পায়খৎনবা হোৎনরম্বনি। অদুমওইনমক, সোলর সিষ্টেমশিং থমবগী মফম চাবা লৈতবনা থিন্থদুনা লাকপনি।

ভাজপায় (এল)ঃ রাজ্যগী এদ্দিসনেল চীফ সেক্রেটরি অমসুং প্রিন্সিপাল চীফ কঞ্জার্ভেটর ওফ ফোরেষ্ট অনুরাগ ভাজপায়না ইম্ফাল ৱেষ্টকী খোঙহামপাৎতা

লৈবা ষ্টেট ওর্কিদরিয়মগী ফিভম য়েংশিনখ্রে। খোঙচৎ অদুদা চীফ কঞ্জার্ভেতর ওফ ফোরেষ্ট এল. জয়কুমার, দি.এফ.ও সেন্ট্রেল ফোরেষ্ট দিভিজন বিক্রম নাথে লোয়নখি।

খোঙচৎ অদুগী মরুওইবা পান্দমদি- তাঙলবা উরৈ কাংলুপশিং য়োকখৎতুনা থমবা অমসুং ইকো তুরিজম চাওখৎহন্নবনি। শ্রী অনুরাগনা ষ্টেট ওর্কিদরিয়মগী থবক থৌরমশিং য়েংশিনবগা লোয়ননা মফম অদুদা ওইরিবা ফিভম পেন্দবা ফোংদোকপগা লোয়ননা ওর্কিদরিয়ম অসি অথুবা মতমদা হেন্না ফগৎহন্নবা পাউতাক পীখি। মে থা ফাওবগী মনুংদা উরৈশিং মপুং ফানা শাৎপগী মতম ওইবনা মসিবু নিংথিনা শেমগৎতুনা মীয়াম য়েংবা লাকবা হোৎননবা মরী লৈনবশিংদা খঙহনখি।

সাইকল (এল)ঃ  হকচাং নোইখৎপগী মায়োক্তা লান্থেংনবা হায়বা হিরমদা নোংমাইজিং খুদিংগী সাইকল থৌবা সনডে ওন সাইকল সাই এস.টি.সি ইম্ফালনা সিতিজন্স ক্লব শোইবম লৈকাই-ৱাংখৈ খুনৌগা খুৎশমরগা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরমগা মরী লৈননা য়ুথ এফ্যারস অমসুং স্পোর্টসকী দাইরেক্তর ডাঃ ময়েংবম ভেত্তো সিংহনা সনডে ওন সাইকল লমথাখি। ইং ২০২৪ গী দিসেম্বর ২২ দগী হৌদুনা নোংমাইজিং খুদিংগী লেপ্তুনা চত্থরক্লিবা সনডে ওন সাইকলগী থৌরম অদুদা সাইকল থৌবা মীওই ২০০ রোম শরুক য়াখি। কিলোমিতর ১০ শাংনা সাইকল থৌখিবা থৌরম অদুগা মরী লৈননা সাইকল থৌরিবা মীয়ামা নোংমদা পুংখায় অমত্তা ওইরবসু কাইথোক্তুনা শাজেল তৌশি হায়না ৱাশক লৌখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা সি.আর.পি.এফ লাংজিংগী কম্মান্দেন্ট- এন. কুঞ্জরানি দেবী, সিতিজন্স ক্লবকী প্রসিদেন্ট নাওরেম মহেন্দ্রা, সাই এস.টি.সি ইম্ফালগী সেন্তর ইনচার্জ মাইবম রমনি চনুনচিংবা শরুক য়াখি।

এআর (এল)ঃ অখিল ভারতিয়া পুর্ভা সৈনিক সেভা পরিষদকী মীওই ১৮ না শাবা মীহুৎ কাংবু অমনা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী লম্বোই খোঙনাংখোঙদা লৈবা

রিলিফ কেম্পতা চত্তুনা য়েংশিনখ্রে। মেজর জেনেরেল জে.এস. নন্দনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অদুনা গোবিন্দ টেম্পল, খোংজোম ৱার মেমোরিয়েল অমদি রিলিফ কেম্পতা চৎখি। তুংদা, ইম্ফালগী চন্দ্রকৃতি ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকপা কলা সংস্কৃতিগী থৌরম অমা য়েংখি। আই.জি.এ.আর (সাউথ)না শিন্দুনা রিলিফ কেম্প অদুদা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমসু পাঙথোকখি।

কেম্প (এল)ঃ চুরাচান্দপুর জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাঞ্জেন্নরক্তুনা রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা মীয়াম পুনশিল্লগা শেম্বা চুরাচান্দপুর মীতৈ য়ুনাইতেদ কমিতিগী মীহুৎশিংনা আই.দি.পিশিংগী পুন্সি মহিং অদুক্কী মতিক ফৎত্রে হায়রি। ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা কমিতি অসিনা তোঙান তোঙানবা দাবীশিং তাল্লক্লি। মদুগী মনুংদা মতিক চাবা মীওইদা থবক হাপ্লীবা, মখোয়গীদমক ফৌগাকচাউ ইখায়দা লম পীবীদুনা খুন্দা লৈতাহনবিয়ু হায়বা ৱাফমশিং য়াওরি।

তমেংলোং (এল)ঃ রাজ্য অসিগী তমেংলোং জিলাদগী সেটেলাইট টেগ তৌখিবা অমুর ফালকোন অনিগী মনুংদা চিউ লুৱান-টু হায়না মীংথোনবা অমুর ফালকোন অমদি সেন্ত্রেল কালাহরি দিজার্টকী বোসৱানাদা নুমিৎ ৪৬ নি লেনদুনা লৈ হায়রি। চিউ লুৱান-টু এপ্রিল ২ দগী হল্লকপগী লম্বীদা কেনিয়াদা থুংলরে। হৌজিক ফাওবদা উচেক অসি কিলোমিতর লিশিং ৩ পাইরে। ৱাইল্ড লাইফ ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্দিয়া, দেহরাদুনগী সাইন্তিষ্ট ডাঃ শুরেশ কুমারনা হায়- নুমিৎ ১০ নিগী মতুংদা চিউ লুৱান-টু সমুদ্র লানদুনা পাইরকপগী লম্বী হৌরগনি। অতোপ্পা অমুর ফালকোন অখুই পুইনাদি মতম চানা মহাক্কী খোঙচৎ চৎলি।

সনমহি (এল)ঃ সনামহি লাইনিংকোন শঙলেন ইম্ফালগী ৪৪ শুবা চহিগী মীফম ঙসি মৈতৈ লাঙ্গোল ইম্ফালদা পাঙথোকখ্রে। শঙলেন অসিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- মীফম অদুদা মীকোক থিবগী থবক চত্থরকপদা ধর্ম্মগী কাখলদা সনামহি হায়বিনবা ৱারেপ লৌখি।

এৱার্দ (এল)ঃ  মালেমগী লাইরিক্কী নুমিৎকা মরী লৈননা সহিত্যা থৌপাং লুপনা পাবা হৈস্নাম বসন্তকুমার এৱার্দ ২০২৫, অইবা কমল তোইজাম্বদা পীরগনি। মনা অসি থা অসিগী ২৩ দা পাঙথোক্কদৌরিবা মালেমগী লাইরিক নুমিৎতা খুৎশিন্নগনি।

রেবিস (এল)ঃ ভেটেরিনারি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি দিপার্টমেন্টনা ওরিয়েন্তেল লেবেল্লর এসোসিয়েসনগা খুৎশমদুনা ঙসি য়ুমদা য়োকপা হুই অমসুং হৌদোংশিংদা হিদাক কাপথোকখ্রে। মদুদা পুন্না হুই-হৌদোক ২২২ রোম হিদাক কাপথোকখি।

কাংখল (এল)ঃ মেলেরিয়ানচিংবা লায়নাশিং ঙাকথোকবগীদমক নোনে জিলাগী লোংমাই পার্ট ফোরদা ঙসি লোং লাষ্টিং ইন্সেক্তিসাইদেল নেট (হিদাক লুপ্লবা কাংখল) য়েন্থোকখ্রে হায়রি।

মিজোরম ঃ মিজোরমদা লুপা কোতি ৫২ রোমগী মমল ওইগদবা মেতাফেতামাইন টেব্লেৎ ফারে। দাইরেক্তোরেট ওফ রেভিন্যু ইলেন্তলিজেন্স (দি.আর.আই)না কিলোগ্রাম ৫৩ রোম ওইগদবা মেতাফেতামাইন অদু মিজোরমগী মনুং হুঞ্জিনবা মফম অমদগী ফাগৎখিবনি। ড্রগশিং অদুগা লোয়ননা মীওই অনিসু ফারে।

কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রালয়না ঙসি থোকপা চেরোল অমদা হায়- হৌখিবা ইরাই নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা চখিবা ওপরেসন অমদা ড্রগশিং অদু ফাখিবনি। ড্রগশিং অদু ট্রক অমগী তরপোলিন মখুমদা চেকমুক চাউবা পেকেট ৫৩ দা হাপ্পুনা য়ামা নিংথিনা লোৎতুনা পুরকপনি হায়রি। পেকেটশিং অদু ৩০৩০ এক্সপোর্ট ওনলি, ৯৯৯, দাইমন্দগী খুদম য়েকপা সিম্বোলশিং শিজিন্নবগা লোয়ননা কোল্লা মচুগী টেব্লেৎশিং য়াওরমখি হায়রি। এম.দি.পি.এস ফিল্ড টেষ্ট কিটকী খুখাংদা চাংয়েং তৌবদা পুরল্লিবা পোৎলমশিং অদু মেতাফেতামাইন য়াওই হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমলে। অহানবগী ওইনা

থিজিনবদা ড্রগশিং অদু মিজোরমদা জোখৌথার সেক্তর ফাওরগা ম্যান্মারদগী পুশিল্লকপনি হায়বা খঙলে। ত্রক দ্রাইভর অমসুং হেন্দিমেন অদু নার্কোটিক্স ড্রগস এন্দ সাইকোত্রোফিক সবষ্টেন্সেস এক্তকী মখাদা ফারে।

হাইৱে ঃ অৱাং নোংপোক লমদম অমদি ঙমখৈ লমদা অখন্নবা মীৎয়েং থম্বগা লোয়ননা লাক্লিবা চহি অনি অসিদা লৈবাক অসিগী, হাইৱেশিং হেন্না ফগৎহন্নবগীদমক কেন্দ্র সরকারনা লুপা কোতি লাখ ১০ থাদনবা থৌরাং তৌরি।

নিউজ এজেন্সি অমগা ৱারী শান্নবদা কেন্দ্রগী রোড ত্রান্সপোর্ট অমসুং হাইৱেজ মন্ত্রি নিতিন গদকারিনা হায়- লাক্লিবা চহি অনি অসিদা কেন্দ্রনা লৈবাক অসিগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর নিংথিনা শেমগৎতুনা মালেমগী অফবা লম্বীশিংগী মনুংদা চলহন্নবা থবক পায়খৎলি। অৱাং নোংপোক লমদমদা লম্বীগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর হেন্না ফগৎহন্নবা প্রোজেক্ট কয়া পায়খৎনবসু থৌরাং তৌরি হায়না মহাকা মখা তাখি।

শ্রী গদকারিনা হায়- অৱাং নোংপোক লমদম অসি লম্বী থোং ফত্তবা অমদি লৈবাক কয়াগা লোন্নবা মফম ওইবনা লমদম অসিগী লম্বীগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর মপুং ফানা শেমগৎপগী তঙাইফদবা লৈ। লমদম অসিদা লুপা কোতি লাখ ৩ লিশিং ৭ চংনা হাইৱে প্রোজেক্ট ৭৮৪ পায়খৎতুনা কিলোমিতর লিশিং ২১,৩০০ হেন্না শাংবা লম্বী শেমগৎনবসু থৌরাং তৌরি।

মন্ত্রিনা হায়- অৱাং নোংপোক লমদমদা সরকার অসিনা চহি অসিদা লুপা কোতি লাখ ১ রোম চংগদবা প্রোজেক্টশিং পায়খৎলি। মহাকা হায়- নাগপুরদা লুপা কোতি ১৭০ চংগদবা ত্রান্সপোর্ট পাইলোত প্রোজেক্ট পায়খৎলি।

পিএমঃ অম্বেদকর জয়েন্তি নুমিৎকা মরী লৈননা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হয়েং হরিয়ানাদা তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট কয়া যাত্রা হুনগনি অমসুং শঙ্গাগনি।

প্রধান মন্ত্রিনা হয়েং অয়ুক হিসারদা চত্তুনা মফমদুদগী অযোধিয়া তমা পাইগদবা কম্মরসিএল ফ্লাইট অমা হৌদোক্কনি অমসুং হিসার ইয়ারপোর্টকী অনৌবা টর্মিনেল বিল্ডিংগী যাত্রা হুনগনি। শ্রী মোদিনা মীয়ামগী মীফম অমদসু ৱা

ঙাংগনি। মদুগী তুংদা, প্রধান মন্ত্রিনা যামুনা নাগরদা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং যাত্রা হুনগনি অমসুং শঙ্গাগনি।

লমদম অদুদা মৈ ফংহন্নবগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর হেন্না ফগৎহন্নবগী পান্দমদা শ্রী মোদিনা যামুনা নাগরদা দিনাবন্ধু সোতু রাম থর্মেল পৱার প্লান্টকী মেগৱার্ট ৮০০ গী মোর্দন থর্মেল পৱার য়ুনিটকী যাত্রা হুনগনি। গোভরধন স্কিমবু হেন্না খুমাং চাউশিলহন্নবগীদমক প্রধান মন্ত্রিনা যামুনা নাগরগী মুকারাবপুরদা কমপ্রেস বাইও গ্যাস প্লান্ট অমগী যাত্রাসু হুনগনি। মহাকা কিলোমিটর ১৪ লিটর ৪০০ শাংবা রিৱারি বাইপাস প্রোজেক্টসু শঙ্গাগনি। প্রোজেক্ট অসি ভারত মালা পরি য়োজনাগী মখাদা লুপা কোতি লিশিং ১,০৭০ রোম চংনা পায়কৎপনি।

সাহ্ ঃ ভারতকী কোওপরেতিভকী লমদা শিংথানিঙাই ওইনা অওনবা অমা পুরক্লিবা অসিদা কেন্দ্রগী গৃহ অমসুং কোওপরেতিভ মন্ত্রি অমিত সাহ্না থাগৎপা ফোংদোকখ্রে।

মধ্য প্রদেশকী ভোপালদা রাজ্য থাক্কী কোওপরেতিভ মীফমদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী সাহ্না হায়- মোদি সরকারনা কোওপরেতিভকী লম চাওখৎহন্নবা কোওপরেসন মন্ত্রালয় শেমখিবনি। মহাকা হায়- সরকার অসিনা ভারতকী ইতিহাসতা অহানবা ওইনা রুরেল দিভলপমেন্ট, এগ্রিকলচর অমসুং এনিমেল হজবেন্দরিগী লমদা অমত্তা ওইবা মীৎয়েংগা লোয়ননা থবক পায়খৎপা হৌখি। মহাকা হায়- প্রাইমারি এগ্রিকলচরেল ক্রেদিৎ সোসাইতি (পে.এ.সি.এস) মপুং ফানা চাওখৎলকপগা লোয়ননা রাজ্য ২০ দা হৌজিক মপুং ফানা থবক তৌরি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ক্রিকেট (এল)ঃ অহানবা এম.এন.সি.এ. ৱিমেন্স অন্দর টোইন্তি-থ্রি ৱান ডে ত্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি সেদোক গ্রাউন্দ কোংবা ধোবী লম্পাক্তা শান্নখিবা মেটচতা এ.কে.এস.দি.ও খাঙবোকনা অল অমিন লিলোংবু রন ১৫৮ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ক্রিকেট (এল)ঃ  অনিশুবা খোমদ্রাম ওংবী হিজম মেমা দেবী মেমোরিএল টি-টোইন্তি মনিপুর ভেটেরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা- ৱাই.দব্লিউ.সি. লংথবালনা কে.সি.সি কোংববু রন ১৮ দা মায়থিবা পীখ্রে। অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা রেস নাগামপালনা নপসা খা-ইম্ফালবু রন ৭৪ দা মায়থিবা পীখি।

আরচরি ঃ   আমেরিকাগী ফ্লোরিদাদা পাঙথোকপা ৱার্ল্ড কপ ষ্টেজ ৱান অচ্যারিগী কম্পাউন্দ মিক্সকী ইভেন্টতা ভারতকী জ়রা জ্যোতি সুরেখা ভেনম অমসুং রিসব যাদবনা সনাগী তকমান লৌরে।

ঙরাং নুমিদাং শান্নখিবা ফাইনেলদা মখোয়না চাইনিজ তাইপৈগী জ়রাবু পোইন্ট ১৫৩, ১৫১ দা মায়থিবা পীখি। ইভেন্ট অদুগী অহানবা অমসুং অনিশুবা সেরিজতা ভারতনা ৩৭-৩৮ অমসুং ৩৮-৩৯ দা শোত্থনা লৈখি। অদুবু অহুমশুবা সেরিজতা ৩৯-৩৮ দা মাংজিল থাখি।

কবাদি ঃ   বিহারনা য়ুম্মু ওইদুনা নুপীগী কবাদি ৱার্ল্ড কপ পাঙথোক্লগনি। ৱার্ল্ড কপ অসি রাজগীরদা চহি অসিগী জ়ন ১ দগী জ়ন ১০ ফাওবা পাঙথোক্কনি। মসিদা টিম ১৪ না শরুক য়াগনি। নুপীগী কবাদি ৱার্ল্ড কপ বিহারনা য়ুম্মু ওইদুনা পাঙথোকপা অসি হন্দক্কী অসিনা অনিরক শুবনি। মসিগী মতাংদা পাটনাদা এমেচর কবাদি ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া অমসুং বিহার ষ্টেট স্পোর্টস ওথোরিতিগা য়ান্ন-ৱারোল অমা সহি তৌনখ্রে।

------